থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# হোপ এগেনষ্ট হোপ




চপ চানদি খঙদে। মীনা হায়নবগী হায়রিবনি - সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, মীয়াম্নদি 'কেব' নৎত্রগা সী এ বি হায়রগসু খঙনবা, ৱাথোক চাউবা বিল অসি ঙসি পার্লিয়ামেন্ট'তা পুথোক্কনি। সী এ বিল করিনো? অৱাং-নোংপোক্কী মীয়াম্না করিগী পাম্নদ্রিবনো? কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংনফাওবা খঙলবনি। শুগায়না অমুক ইজরোই। ঐগী থম্মোয় পাউদম পাবীরিবশিং! পাখৎপীনু, পঞ্জরোই - বিল অসিনা মণিপুরদা শোকপা-শোক্তবা।

বি জে পি'না হায় - সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী ৱারোল অমত্তনা মণিপুরদা অমাঙ-অতা থোকহল্লোই। নৌনা শেমগদৌরিবা (শেমদোক্কদৌরিবা), লো অসি লৈবাকসিগী ফনবনি। লৈবাক্কী য়াইফনবা খল্লিবা, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবনদি ৱাফম অসি য়ানীংদে। য়েলহৌমীগা মীতোপকা অনীগী ওইফম থোকপা খল, হান্নদগী কায়রবসি অমুক্কা হেন্না কায়হনবদা তেংবাংগনি। লৈবাক্কী লো অমত্তনা ঙাক্লৌ পীদ্রবা মণিপুরগী তম্পাক-লম, মীতোপশিংগী লাইরৈপাক ওইখ্রগনি থিং'ঙমলোই। মসিগীনি ৱারিবা। মণিপুর' - লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী লুচিংবসু য়েলহৌমীনি লমদমসিগী। মীয়াম্না নিংদোল পোম্লিবা, মখোয় করিগী পোম্লম্লোই? ঙসি পুথোক্কদৌরিবা (পুথোক্লক্তবসু য়ারিকো) এমেন্দমেন্ট বিল অসিমক, মোদিগী অহানবা লৈঙাক মতম লোইরমদাইদা লোক সভানা পাস তৌরুরবনি। রাজ্য সভাদা মেজোরিটি ওইদবনা, পাস তৌবা ঙম্লরোই, মীয়ামগী ঈহৌ মরক্তুদা নম্ফু শীজিন্নবা ঙম্লরোই খঙদুনা পুথোকখিদবনি। ঐখোয়গী লৈঙাক লুচিংবনা হায়জবদগী পুথোকখিদবনি -চীন্থোক ওইনা থোকখিবদু চীরোলনি। মণিপুরদা পানশিনবা/চৎনহনবা য়াদবা ৱারোল অমা হাপচিনহনগনি হায়খিবদুসু ৱাথীনি। অদুগুম্বা মরোল অমত্তা ঙসি ফাওবা হাপচিন্দে, হাপ্লবসু খন্নদে। মতমদুদা পুথোকখিবা বিল অদুমক্কি, রাজ্য-সভাদসু মখোয়গী মীহুৎনা মেজোরিটি ওইরে খঙলবকানসিদা নৌনা অমুক পুথোকতৌরিবা। তানরমদে হায়খিনি খন মখোয় খরা কৌদুনা ৱাতানবা মালহনবনি, হোংবা য়াদ্র' ৱারেপ্তুদি মথম্মোয়দা ফুমখিবনি। অদু নৎলমদ্রবদবু, অপূনবা মীফম নোংঙানবগা, ঐখোয়না পামদে খঙলবা বিল অদু কেবিনেট'না অয়াবা পীখিবদু পীরমগদ্রা? খন্থনবা মতম খজিক্তং ওইরবসু লৌরম্লোইদ্রা?

ওইনীংবদু ওইরসনু। হৌজিক্তি ৱাফম অমা নাখৈ শেংলে। বিল অসি পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্তা শোয়দনা পাস তৌখ্র'নি। কম হ্বাট মে-ওইনীংবদু ওইরসনু ঐখোয় মায়োক্লরনি - হায়বা ফিরেপ অদুনি, বি জে পি লৈঙাক অসিগীদি। বিলসিগী মায়োক্তা ঈহৌ অমা লমজীংলিবা লুচিংবশিং অসিগীসু চেৎলবা ফিরেপ অমনি - মায়থীবা য়াদে ঐখোয়সু। মুক্লরিবা নাকপাক অনীমক্কী ষ্ট্রোং এন্দ ৱিক অর্গুমেন্টস লৈ। নাকল অনীমক অমনা পুমচুম চুম্নবসু নত্তে। অহে অপা শাই হায়খিনি - কোর এন্দ এগেন্সকী অর্গুমেন্টশিং অদুদি পাউদমজররোই। পোলিটিকল ওইবা ইস্যুনি তরায় তরায় ইশাগী পূক্নিংগী ৱানি হায়দুনা হেক হায়দোক্লুবা য়াবা নত্তে। হয়েং করি থোক্ল'নি? তম্বা ঙমদে কনানা।

অদুবু, ওইরক্লিবা মওংসিদা, লুচিংবশিংগী ৱাঙাঙসিদা ওইরকপা য়াবা মওং অমদি ঐখোয় ৱাখলনা শাগত্তুনা নৈনবা য়াই। পোজিটিব ওইবা ৱাখলনি। মুক্লরিবা নাকল অনীমকপু পোজিটিব ওইবা মাইন্দ সেট অমদা থম্লগা য়েংলুবনি। নহানমখৈ হায়রমদবা ৱা অমা মোদি-লৈঙাক অসিনা ঙরাং নহান্দি হায়রক্লে। ইন্নর-লাইন-পার্মিট-সিষ্টেম (আই এল পি) চৎনরিবা ষ্টেটশিং অমদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৬শুবা সিদ্যুল'না কোনবা লমশিংদসু সী এ বিলগী ৱারোলশিংসি চৎনরোই। আই এল পি অমদি সিক্স সিদ্যুল অনীমক্না য়ৌদবা/শোক্তবা মণিপুরদদি সী এ বিল (এক্ট) না কোনশিনগনি - ৱাহৈ ওইনা হায়দ্র'সু মশানা অদুম তাজরবনি - 'সিনি মীয়ামগী ৱাখল'না। খিত্তং হেনজিন্না খল্লগনা - ফ্রেমৱর্ক এগ্রিমেন্ট'না ফাইনেল এগ্রীমেন্ট ওইরকপদা মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা তরুকশুবা সিদ্যুল চৎনহল্লে লাউথোরক্লবদি চীংগী লমসু সী এ বি'দই ঙাকথোক্লে। ঙাকপা ঙম্লোইদৌরিবসি খুজিন মমায়মুক্তং পাক-চাউবা মণিপুরগী তম্পাক লম অসিখক্তা ঙায়হৌরনি। লাইমন কাংবা ৱাখলসিননি তম্পাকমচা লৈঙাকপশিংবু, মীচম তম্পাকমচাশিংনা লমজাওদা-হোটেলদা-লৈপুংদা পেন্না পেন্না চৈবীরিবা।

অদুবু, মোদি অমদি কাঙবুনা অসি য়ৌনা ফুনগৎলবা মণিপুর মীয়ামগী ৱাখল করিমত্তা থওইদনা, নিংঙাইদনা লৈথোক্তুনা জুন ১৮, ২০০১ কাউথোক্তুনা, জপানগী পি এমগা লোয়নদুনা মণিপুরদা লাক্লবা থৌরাং'কগা য়াৎলিবা - মাগী অরোনবা পোজিটিব এজেন্দা অমা লৈবজাৎলা? কুমজা ১৯৫১দা মতমদুগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমনা আই এল পিগুম্বা মীতোপ চঙবা থিংনবা আইন অমা লৈরম্বদু ককথৎখিবদুগুম্না, ঙসিগী লৈঙাক অসিগী এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা অমুক থোকহল্লগা 'মণিপুরদসু আই এল পি চৎনরে' লাউথোক্কে খনবজাৎলা?

হোপ এগেনষ্ট হোপ হায়বদুনি। ঙাইহাকসু নুংঙাইবা তমসিদা। তেন্সন অমগী মথক্তা অমা - পুন্সিররোই ঐখোয়সে।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# উরীং ফহন্নবগীদমক টুথপেষ্ট শীজিন্নবা য়াবরা

মীওই কয়ানা টুথপেষ্ট অসিবু উরিংগী দাগফমশিং কোকহন্নবগীদমক শীজিন্নবা য়াওই, অদুবু মসিদগী ফংলিবা কান্নবা অদুদগী মাঙজবনা হেল্লি।



টুথপেষ্টতা দ্রাইয়িং এজেন্টশিং অমদি এন্টিবেক্টরিএল কম্পাউন্দশিং য়াওবা মরম্না দাগফমশিং অসি কোক্লবগীদমক য়াম্না কান্নবা পাম্বে অমা ওইনা উবা য়াই। অদুবু স্কিন ক্যেরগা মরী লৈননা শীজিন্নবদদি মসিদা য়াওরিবা ইনগ্রেদিয়ন্টশিং অসিদগী ফংলিবা কান্নবা অদুদগী মাঙজবনা হেল্লি।

হান্নদি টুথপেষ্টতা ট্রিক্লোসান কৌবা এন্টিবেক্টরিয়ল এজেন্ট অমা য়াওরম্মী। অদুবু ট্রাইকোলোন অসিনা থাইরোইদ হোর্মোনগী লেবেল হন্থহনবা অমদি এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স থোকহনবদা মতেং পাংশিনবগী ইভিদেন্স ফংবদগী কুমজা ২০১৭দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফূদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)না মসিবু এন্টিসেপ্টিক ৱাশশিংগী ইনগ্রেদিয়ন্ট অমা ওইনা শীজিন্নবা থিংখ্রে। হন্দক চহীগী হৌগৎলকপা মতমদগী দুকানদা য়োল্লিবা টুথপেষ্টশিং ট্রাইক্লোসান য়াওখিদ্রে।

চীন-য়াদা কান্নবা মচাক কয়া হায়বদি, গ্লিসরিন, সোর্বিটোল, কেলসিয়ম কার্বোনেট, সোদিয়ম লোরিল সল্ফেট (এস এল এস), সোদিয়ম বাইকার্বোনেট (বেকিং সোদা) গুম্বা মচাক কয়া টুথপেষ্টতা য়াওই।

অদুবু ইনগ্রেদিয়ন্টশিং অসিগী মনুংদা কয়া অমদি উনশাদা শীজিন্নবগী ওইনদি য়াম্না কনমল্লি। মসি শীজিন্নবা মতমদা উনশাদা ইরিটেসন অমদি কংশিনবা থেংনবা য়াই। মসি দ্রাই স্কিন নৎত্রগনা সেন্সিটিব স্কিন ওইবা মীওইশিংদদি খুদোংথীনিংঙাইনি।

উনশা য়াম্না কংবা অদুনা মরম ওইরগা অহেনবা থাউ পুথোকহল্লকই, মসিনা মরম ওইরগা উরিং অমদি দাগফম কয়া অমুক লাকহন্নবগী মরম অমা ওইহল্লি।

করিগুম্বা য়াম্না অচৌবা থৌরম অমা চৎলমদাইদা উরিং থুংগৎলকপা নৎত্রগনা মায়দা উরিং ময়াম অমা থুংলকপা হায়বসি য়াম্না অৱাবগী মশক্কি। অদুবু ঐখোয়না উরিংশিং অসি ফনবগীদমক টুথপেষ্ট শীজিন্নগে খন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মখাদা পীরিবা পাম্বৈশিং অসি শীজিন্নবা য়াই।

হীদাক-লাংথক: য়াম্না তোয়না উরিং থুংগনবা মীওইশিংনা ওভর-দ-কাউন্টর (ও টি সি) হীদাকশিং নৎত্রগনা অতোপ্পা অফবা হীদাকশিং শীজিন্নদুনা য়েংবা য়াই। অসিগুম্বা হীদাক-লাংথকশিং অসি শীজিন্নবদা উরিং থুংবা অদু য়াম্না ফহল্লবসু অতোপ্পা সাইদ ইফেক্ট কয়া লাকপা য়াই নৎত্রগনা মীওই খুদিংমক্তদি কান্নদবসু য়াই। খ্বাইদগী ফবা লায়েংগীদমক দোক্টর নৎত্রগনা দর্মাটোলোজিষ্ট অমদা য়েংথোকপিগদবনি। দোক্টর তানদনা ফার্মাসিদগী হেক্তা লৈবা মতমদা চেকশিনগদবনি। কনাগুম্বা ফার্মাসিষ্টশিংনা ষ্টেরোইদ পীবসু য়াওই, অদুবু ষ্টেরোইদ হায়বসি করম্বা মতমদা শীজিন্নগদগে হায়বসি দোক্টরনা লেপকদবনি।

মহৌশাগী লায়েং: চৎলিবা চহী অসিদা চথখিবা ষ্টদি অমদা উরিং থুংবগী লায়েংবদা ২.৫% বেঞ্জোইল পেরোক্সাইদ য়াওবা সোল্যুসনগা হর্বেল এক্সট্রেক্টকা কান্নবা চপ মান্ননা ফংই হায়বা খঙবা ঙমখি। মহৌশাগী লায়েংশিংগী খুদম খরা মখাদা পীরি।

অলো বেরা: অলো বেরা পান্বীদা তোঙান তোঙানবা মিরেল, এমিনো এসিদ অমদি ভিটামিন মখল ৭৫ রোম য়াওই। হায়রিবা পোৎলমশিং অসিনা অশোকপা ওইশিনবা, উনশাদা থোকপা ইরিটেসন অমদি ইনফ্লেমেসন হন্থহল্লি অমদি স্কিন ইনফেক্সনদগী ঙাকথোকই।

অলো বেরাদা য়াওবা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি অমদি এন্টিমাইক্রোবিএল কম্পাউন্দশিং অসিনা উরিংগী দাগফম কোকহনবদা মতেং পাংই।

প্রিবাওইটিক নৎত্রগনা প্রোবাইওটিক: উনশাদা লৈবা মাইক্রোব ট্রিল্লিয়ন কয়ামরুম্না অশোকপা ওইশিনবা অমদি ইনফেক্সন থেংনবদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌই। স্কিন বাইওটাশিংগী চাং কায়রকপগা ইকজেমা, সোরিয়াসিস অমদি উরিংনচিংবা উনশাদা থোকপা থৌওং কয়াগা মরী লৈনবগী খুদম-চাংদমশিং রিছার্সরশিংনা থেংনরে।

কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা রিছার্সরশিংনা থেংনখি মদুদি বেক্টরিএল জেনরাগী খল অসি য়াম্না শাথিনা উরিং থুংবা মীওইশিংদদি মীওই অতৈগা মান্নদে। অফবা গৎ বেক্টরিয়াগী চাংসু হায়রিবা মীওইশিং অসিদনা উরিং থুংদবা মীওইশিংদগী হেন্না নেম্বা থেংনখি।

গৎ অমদি স্কিন মাইক্রোবিওমশিংগী মরমদা অমদি মখোয়না মীওইবগী হকশেলদা করম্না ইথিল পীবগে হায়বগী মতাংদা এৱ্যের্নেস হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা রিছার্সর অমদি মেন্যুফেকচরর কয়াগী মফমদা মাইক্রোবিয়মশিংবু মেনিপ্যুলেট তৌরগা স্কিন হেল্থ ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না থাজহল্লম্মী।

প্রিবাইওটিকশিং অসি হকচাংদা য়াওবা অফবা বেক্টরিয়াশিংগী মচীঞ্জাক ওইরিবা ফাইবরশিংনি। প্রোবাইওটিকশিং অসিনা উনশাদা য়াওবা অফবা বেক্টরিয়াশিংগী মশিং হেনগৎহনবা ঙম্বা অমদি উরিং থুংহনবা বেক্টরিয়াশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা অহিংবা বেক্টরিয়াশিংগী ষ্ট্রেনশিংনি।

কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা লেক্টোবেসিল্লস পারাকেসৈ কৌবা প্রোবাইওটিক ষ্ট্রেন য়াওবা ওরেল সপ্লিমেন্ট অমনা স্কিন সেন্সিটিবিটি হন্থহল্লি অমদি স্কিনগী নেচরেল বেরিয়র ফঙ্কসন ফগৎহল্লি হায়না রিছার্সরশিংনা খঙবা ঙমখি।

ফাইন্দিংশিং অসিনা উৎলি মদুদি, প্রিবাইওটিক অমদি প্রোবাইওটিকশিং অসি উরিংগীদমক্তা কান্নরবা হীদাক অমনি।

## এমসুনা শীন্দুনা স্পেসল রিভিজন কোচিং ক্লাস হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না লমদম অসিগী এদ্যুকেসন সেক্তৰদা হেন্না মশক মঙাল থোকহন্নবগীদমক পায়খৎলকপা থৌরমশিংগী পরিংদা এমসু, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা নুমীৎ ৪৫ নিগী ওইবা স্পেসল রিভিজন কোচিং ক্লাস অমা অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টুয়েল্ব থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক হৌদোক্লগনি হায়না এমসু, ইম্ফাল ইষ্টকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি তখেল্লম্বম মহেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোচিং অসি সাইন্স অমসুং আর্টস ষ্ট্রিমগী ওইনা পাঙথোক্কনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম এমসু হেদ ক্বার্টরদগী মহৈরোয়শিংনা ফংবীগনি। ফোর্মগী মমল লুপা ২০ ওইগনি। সবমিসনগী মমলনা লুপা ৩০০ ওইগনি। এমসুনা শোথরবা মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক পায়খৎলক্লিবা অখন্নবা প্রোগ্রাম হায়বদি কোচিং ক্লাস অসিবু লমদম অসিগী ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংনা মপুং ফানা শরুক য়াদুনা কোচিং অসিগী খুদোংচাবা লৌমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এগজামিনরশিংগী গ্রুপ দিস্কসন সেসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) : হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন ২০২০গী খনগৎলবা এগজামিনরশিংগী ফেজ ৱাইজ গ্রুপ দিস্কসন কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়না কাউন্সীল অসিগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এগজামগী টেক্নিক ওফ ইভাল্যুএসন, অন্সর স্ক্রিপ্টকী মতাংদা গ্রুপ দিস্কসন ফেজ নাইনা পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগী ওইনা দিস্কসন পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৬ তা ফেজ অহুম থোক্লা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং, মণিপুরী, ইলেক্টিভ মণিপুরী, অল্টর্নেটিভ ইংলিস, তাংখুল, পাইতে, থাদৌ-কুকি, বেঙ্গোলি, গাংতে, মার, কোম, মাও, মিজো, নেপালি, রোংমৈ, ৱাইফৈ, জৌ, হিন্দী অমদি ইলেক্টিভ হিন্দী, এগ্রিকলচর, এন্থ্রোপোলোজি, একাউন্টেন্সি, বিজিনেস ষ্টদিজ, জিওগ্রাফি, জিওলোজি, ম্যুজিক, ফিজিকেল হেল্থ এদ্যুকেসন, স্পোর্টস, ফিলোজোফি, সাইকোলোজি অমদি থাঙ-তাদা খন্নগনি।

থা অসিগী ১৭ তা ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, হোম সাইন্স, বাইওলোজি, বাইওটেক্নোলোজি, এঞ্জিনিয়রিং, দ্রোৱিংদা দিস্কসন পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৮ দা ইকনমিক্স, পোলিটিকেল সাইন্স, সোসিওলোজি, মেথমেটিক্স, ষ্টেটিষ্টিক্স অমদি কম্প্যুটর সাইন্সকী সবজেক্টশিংদা দিস্কসন পাঙথোক্কনি। এগজামিনরশিংনা গ্রুপ দিস্কসনদা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) : ইকনমিক দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (ঈ দি পি) ২০১৯-২০ গী মখাদা রিটেল সেলস অমদি ওফিস এদমিনিষ্ট্রেসনগী স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিংগীদমক ষ্টেট অসিদগী মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটিগী থৱায় য়াওবা মীওইশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মাইনোরিটি এফ্যেরসকী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

নোটিফিকেসন অদুনা হায়, এপ্লিকেসন ফোর্ম দিরেক্টোরেট অসিগী ৱেবসাইটতগী ফংগনি। থা অসিগী ৩ দগী ফোর্ম থাজিনবা হৌবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবনি। এপ্লিকেসন ফোর্মদা ওভর রাইটিং তৌবা, দোক্যুমেন্ট শুদবনচিংবা কয়া একসেপ তৌরোই। এপ্লিকান্টশিংগী মিনিমম এদ্যুকেসনল ক্বালিফিকেসন অসি ক্লাস টুয়েল্ব পাস তৌবা ওইগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মাস ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম অমদি ফিশ স্পোর্ট সেন্টর অনী হাংদোকপগী থৌরম ফৌবাকচাও, লৈশাংথেমদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা ঙা মরাং কায়না পুথোক্লবা মীৎয়েংগা লোয়নননা মাস ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম অমদি ফিশ স্পোর্ট সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম ফৌবাকচাও অৱাং লৈকায় অমদি লৈশাংথেম থৌবালদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

নেসনল ফেদরেসন ওফ ফিশর কোওপরেটিভ লিমিটেদকী বোর্দ ওফ দিরেক্টর কে নবচন্দ্রনা ঙসি ফৌবাকচাও পিসিকলচর ফার্মিং কোওপরেটিভ সোসাইটি অমদি লৈশাংথেম খোং মনুং মখা লৈকায় ফিশরি কোওপরেটিভ সোসাইটি, লৈশাংথেম থৌবালদা সেন্টরশিং অসি হাংদোকখি।

হাংদোকপগী থৌরমশিং অদুদা এ টিকেন, এল্লাইদ ফিশরি কোওপরেটিভ সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট লিষ্টোন কুমার, লৈশাংথেম ফিশরি কোওপরেটিভ সোসাইটিগী সেক্রেটরি এল হেরাচন্দ্রসু শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা ফিশরি কোওপরেটিভ সোসাইটি কয়াগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

এল্লাইদ ফিশরি কোওপরেটিভ সোসাইটিগী ওফিস অমসু ঙসি সোইবম লৈকায় ৱাংখৈ খুনৌদা হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা টি ঐচ সরতচন্দ্র, এল বদলকুমার অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা নেসনল ফেদরেসন ওফ ফিশর্স কোওপরেটিভ লিমিটেদকী বোর্দ ওফ দিরেক্টর কে নবচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কে নবচন্দ্রনা হায়খি, প্রধান মন্ত্রি সুরক্ষা ভিমা য়োজনাগী ইন্স্যুরেন্স স্কিমদা ফিশরমেনশিংনা ইনরোল তৌবীয়ু। মসিগী মখাদা লুপা লাখ ২ ফাওবগী শেনফম ফংগনি। প্রেমিয়ম অসি ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কদবনি। ফিশ স্পোর্ট সেন্টর অনী ঙসি হাংদোকখিবা অসিনা ফিশরি টুরিজমগী লমদা খুন্মাং চাউশিনহল্লগনি। এনগ্লিংগী কম্পিটিসন কয়াসু লাক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা টি ঐচ সরতচন্দ্রনা ফিশরিগী লমদা ৱাফম কয়া থমখি হায়রি।

TEMPLE OF LEARNING
Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.
ADMISSION OPEN 2020
PRE- NURSERY TO CLASS IX
LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION
Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.
*CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523
www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com
HL-P/5445/7/13



HL-B/5749/17oct-16nov.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।১২।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক্কী পুং ৯.৪৫ ফাওবা পোইনুগী ১১ নি পাল্লি, মতুং ১২নি পানগনি।

**মেষ :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা কান্নবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপা অমদি লৈঙাক্কী থবক্তা পেন্দবা খরা লৈগনি-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** খাংবা কল্লু, য়েৎনবা মরমদৈ লৈথোকউ অমদি হন্থবগা ৱাফংনবা তৌরুনু। অদুবু কিদবা অমদি মফম চানা থৌনা ফুদোকপনা কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং খরা ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/সিকমিস।

**মিথুন :** কিথি কিরুম তৌবা অমদি হন্থবা মীনা য়েংথিবা লৈগনি। অচুম্বনা মায় পাক্কনি অদুনা মীৱা থাজদনা অনীংবা পাংনবা হোৎনৌ। ঙাইঙমদবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্না নুংঙাইবা খরা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা হিগোক।

**কর্কট :** নীংবা মপা চারগনি, মীচং থিরদি শোইদনা ফংলনি অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্দা চাওনা কান্নবা ওইগনি। ওইদবা তৌবনা ৱাহনগনি, পোরম য়াৎপা হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা খরদি চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** চাদিং হেনবা, হেঞ্জিন্না পামশিল্লুবনা মীপাইবা পোকপদি লৈগনি। অদুবু ইকায়খুম্নবা ফংবা, লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইবা অমদি ৱানোম্বা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** মীনা ইকাই খুম্নবীবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংনদি লৌথোকনিংবা লৈ অদুনা পংশিন্নবা ফৈ। য়েক্লবদি হন্থৈ,খুৎচাওদি থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**তুলা :** নীংজবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক য়াম্না কান্নগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবকসু পাংবা ঙম্লগনি। মীয়ামগা মরী ফগৎকনি। পূক্নিংদা ফত্তবা খনবদি লৈ-তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক:** লৈঙাক অমদি অরিবা থবক্কী লম্দা কোক শাবা লৈগনি অদুবু নোল্লুক্লা চৎপনা খরদি শাফগনি। ওইজবা থিবদি কান্নগনি, লাই-গুরুনা শোইদনা চাল্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** চয়েৎনবা অমদি খুরৌ থাংবা খরদি লৈগনি অদুবু থিবা হুম্বা কল্লদি কোকচগনি। ইমুং-মনুং লোয়ননা পাংবা থবক মহয় য়ানগনি, থৌনাসু ফুদোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কান্নফম খঙলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মকর :** কান্নবা ফংগনি, অনৌবা মরুপ লোয়ননা পাংবা থবক মায় পাক্কনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। য়েংশিনবা য়াম্বনা খুরৌ থাংবা লৈগনি-ঙাইঙমদবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থিজিনবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** লৈফম অফবা ফংবৈ নুংঙাইবা, লল্লোন ইতিক্কী লম্দা চাওনা কান্নবা অমদি লৈঙাক্কী লমদা মীকোক থোংবা য়াবা নুমিৎনি। ৱানোম্বা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** পূক্নিং ফাথনা লৈবনা অমদি য়াকা য়েংনা চৎপনা অশিংবা তাগদবা নুমিৎনি। মায়থীগদবগী শরুক খরা থেংথবনা ফৈ হায়য়বা কাউগনু অমদি নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা কাইনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।